**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24.03.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- রাজ্য অসিগী সমস্য অসি ৱারী শান্নবা খক্তনা কোহনবা ঙমগনি।

২) অৱাং নোংপোক লমদম অমসুং নোংচুপ বঙ্গলাগী হিমালয়গী শরুক্তা থা অসিগী ২৬ ফাওবা অকনবা নোং চুখিগনি হায়রি।

৩) কালেনগী মতমদা হোস্পিতালশিংদা মৈহৌ লাংপোক থোক্তনবা থবক পায়খৎনবা হকশেল মন্ত্রালয়না রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা খঙহনখ্রে।

৪) মীরমদা তিলহৌ থাদোকপদা থল্লকপা অথিংবা মখা তানা শাংদোকখ্রে।

অমসুং

৫) বি.জে.পিগী সেন্ত্রেল ইলেক্সন কমিতিগী মীফমনা পুং অহুমলোম চুপা লোক সভা মীখলদা থাগৎকদবা মীরেপশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- রাজ্য অসিদা কাংলুপ অনিগী মরক্তা থোক্লিবা সমস্য অসি রাজনীতিগী ওইবা ৱারী শান্নবা খক্তনা কোহনবা ঙমগনি।

থা অসিগী ৯ দা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ভারচুয়েল ওইনা শঙ্গাখিবা বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা লৈবা কোটেজ হেন্দলুম ভিলেজ য়েংশিনবগী

খোঙচৎতা ঙসি শ্রী বিরেন্না হায়- হাৎনা শুনবনা কৈদৌঙৈদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমলোই, লান খুদিংমক্কী ৱারোইশিন ৱারী শান্নবা খক্তনা পুরকপা ঙমখিবনি। মহাকা হায়- হৌজিক ইরাং খরা নেমথরক্লিবা অসি নাকল অনিমকা ভাব তান্নরকপগী খুদম অমনি হায়না লৌই।

খোঙচৎ অদুদা ৱার্ক্স মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম, কঞ্জুমরস এফ্যারস মন্ত্রি এল. শুশিলদ্রো অমদি এম.এল.এ- টি.ঐচ. শান্তিসু লোয়নখি। তুংদা মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংবা কাংবু অদুনা মোহ্‌রাংগী তকমুদা লৈবা ওপন জিম অমসু য়েংশিনখি।

ডে (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি থৌবালনা শিন্দুনা ৪৩ শুবা ৱার্ল্ড টি.বি. ডেগা মরী লৈননা টি.বি. লায়নাদগী ঙাকথোকবা থৌরম অমা ঙসি লমদিংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা চীফ মেদিকেল ওফিসার, থৌবাল- ডাঃ ৱাই. নোকুল সিংহনা হায়- লায়েংবা ঙল্লবসু ঙসি ফাওবদা লমদম অসিদগী টি.বি. লায়না মরু ফংনা মুখৎপা ঙমদ্রিবা অসি মীয়ামা লায়না অসিগী মরমদা মুন্না খঙদবদগীনি। মহাকা হায়- মতম চানা টেষ্ট তৌথোক্তুনা হিদাক চাহৌরবদি লায়না অসিদগী মপুং ফানা ঙাকথোকপা ঙমগনি।

থৌরমদুদা মথৌ নিংথিনা তৌবা আশা ৱার্করশিংদা মনা পীদুনা ইকায় খুমবগা লোয়ননা পুকিং থৌগৎখি। রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা চান থকবা পোৎলমশিংসু তেংবাং ওইনা পীখি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি বিষ্ণুপুরনা মণিপুরগী সুত্তিংগী নেসনেল প্লেয়ারশিংগা খুৎশমদুনা নোংমগী ওইবা শান্ন-খোৎনবা অমসুং হ্যুমেন ত্রাফিক্কিংগী মতাংদা ভাব তাহন্নবগী থৌরম অমা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী সেন্দ্রদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখ্রে। রিলিফ কেম্পতা লৈবা অঙাংশিংগী ফুটবোল মেটচ অমদি অতৈ শান্ন-খোৎনবগী থৌরমশিংসু পাঙথোকখি।

রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা ঐচ.আই.ভি-এইদস অমসুং সবটেন্স এব্যুস হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি ককচিং ফৌশুপাৎ লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে। মণিপুর এইদস কন্ট্রোল সোসাইতিগী মখাদা ভোলুন্তিয়ারস কো-ওর্দিনেসন কমিতি ককচিংনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অখণ্ড অহে কয়ানা ৱা ঙাংখি।

নোং ঃ অৱাং নোংপোক লমদম অমসুং নোংচুপ বঙ্গলাগী সব-হিমালায়ানগী লমদমদা থা অসিগী ২৬ ফাওবদি নোং কন্না চুগনি হায়রি। ৱেদর দিপার্টমেন্টনা হায়- অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মেঘালয়, সিক্কিম অমসুং নোংচুপ বঙ্গলাগী সব-হিমালায়ান লমদমদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি। মণিপুর, নাগালেন্দ, মিজোরম অমসুং ত্রিপুরাদসু থা অসিগী ২৯ ফাওবদি ময়াই ওইরপ্পা চাংদা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

জম্মু-কাশ্মীর, লদাখ, গিলগিৎ, বালতিস্তান, মুজাফরবাদ, হিমাচল প্রদেশ, পঞ্জাব, হরিয়ানা, রাজস্থান অমসুং উত্তরাখন্দদসু থা অসিগী ২৯ ফাওবদি অখাক অরাউগা লোয়ননা পংকন কন্দনা নোং চুরবা য়াই।

হোস্পিতাল ঃ লাক্লিবা কালেন থাগী মতমদা হোস্পিতালশিংদা মৈহৌ লাংপোক থোক্তনবা থবক পায়খৎনবা হকশেল মন্ত্রালয়না রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি পুমমক্তা খঙহনখ্রে। য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিং অমসুং রাজ্য পুমমক্কী চীফ সেক্রেটরিশিংদা ইবা চিঠি অমদা কেন্দ্রগী হেলথ সেক্রেটরি- অপুরভা চন্দ্রনা হায়- কালেন থাগী মতমদা শাবগী চাং হেনগৎলকপনা হোস্পিতালশিংদা মৈহৌ লাংপোক থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈ। হকশেল মন্ত্রালয়না রাজ্যশিং অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী হেলথ দিপার্টমেন্ট অমসুং ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিতি পুন্না খুৎশমনা হোস্পিতালশিংদা মৈহৌ লাংপোক থোক্তনবা খুদক্তগী থবক পায়খৎনবসু হায়রি। চেরোল অদুনা হায়- হোস্পিতালদা লৈরিবা ফয়ার এক্সটিংগুইসর, হাইদ্রেন্ট অমদি এলার্মনচিংবা মৈ মুথৎনবা খুৎশু খুৎলায়শিং চাং নাইনা চ্যেক তৌগদবনি।

য়াউশঙ (এল)ঃ য়াউশঙ কুম্মৈগা মরী লৈননা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়- কুম্মৈ অসিনা খেন্নবা কয়াবু কাউথোকদুনা অমত্তা ওইবগী অপুনবগী শক্তি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লি। মহাকা হায়- কুম্মৈ অসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা শান্ন-খোৎনবগী থৌরমশিংগা লোয়নননা পাঙথোক্কুনা লাক্লি। কুমশি চহিগী য়াউশঙনা লাকপদা মণিপুরব্ কাংলুপ খুদিংমকা অমনা অমবু ইকায় খুমবা, শান্তি লৈবা, হেন্না ফবা লমদম অমা ওইহন্নবা ঐখোয় খুদিংমকা ৱারেপ লৌরশি হায়নসু রাজ্যপালনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়রি।

পাউমী (এল)ঃ ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ)না নুপী জরনেলিষ্টশিংগীদমক শিনখিবা অন্দামান্দ অমসুং নিকোবর ইথৎকী খোঙচৎতা শরুক য়াখিবশিং ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে।

রিমস (এল)ঃ তরুকশুবা ইসাকোন নোর্থ ইষ্ট অমসুং মঙাশুবা এন্যুয়েল ইসাকোন মনিপুর-২০২৪ থৌরম ইন্দিয়ান সোসাইতি ওফ এনেস-থেসিওলোজিষ্ট, মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সনা শিনদুনা ইম্ফালগী রিমসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা রিমসকী দাইরেক্তা প্রোফেসর সি.সুনিল কুমার শর্ম্মা , রিমসকী মেদিকল সুপ্রিন্তেন্দেন্ত প্রোফসর এন. সঞ্জিবশিং য়াওনা অনা লায়েংগী লমদা থবক তৌরিবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

পাম (এল)ঃ মালেম শিনবা থুংনা পাম সন্দেগী নুমিৎ ঙসি পাঙথোকখ্রে। মনিপুরদসু খৃষ্টান লাইনিং চৎপা মীওইশিংনা পাম সন্দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা চর্চ শিংদা অখন্নবা লাইশোল সভাশিং পাঙথোকখি অমসুং অঙাংশিংনা লম্বীদা পামগী মশা পায়দুনা খোঙচৎ চৎখি।

আশ্রম(এল) ঃ  অখিল ভারতিয়া বনবাসি কল্যান আশ্রমগী মখাদা কল্যান আশ্রম মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি ককচিং সুমাক লৈকাইদা নৌনা শাবা কল্যান আশ্রম বোইজ হোষ্টেল অমা ঙসি শঙ্গাখ্রে। শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা তিংকাউ রাংৱাং চাপ্রিক ফোম (টি.আর.সি.পি) অসাম, মণিপুর, নাগালেন্দগী ফাউন্দর জেনেরেল সেক্রেটরি চাউবা কামসোন্না অথোইবা আতিথি ওইনা শরুক য়াখি। ফমুং ৬৬ লৈবা বোইজ হোষ্টেল অসিদা ক্লাস ফোরদগী টেন ফাওবগী মনুংদা তন্লিবা লমদমসিগী ওইবা ত্রাইবেল নুপামচা মহৈরোইশিং লৈবা য়াগনি।

ৱার্কসোপ (এল) ঃ  সঙ্গিৎ নাটক একাদমি নিউ দিল্লি অমদি মিনিষ্ট্রিল ওফ কলচরগী মীৎয়েং মখাদা মৈতৈ ইন্দিজিনস থাং-তা এন্দ কলচরেল ইন্সটিট্যুট কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাইনা শিন্দুনা থাংহাইরোলদা য়ুস্ফম ওইবা নুমিৎ ২০ নিগী ৱার্কসোপ কম প্রদক্সন ঙসি লোইশিনখ্রে। থৌরমদুদা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমি ইম্ফালগী দাহরেক্তর পি. বিলাসনা অথোইবা আতিথি ওইখি। থৌরমদুদা নিংথিজরবা থাংগী তোঙান তোঙানবা লৈতেংগী থৌরমসু উৎখি।

কছার (এল) ঃ  অসামগী কছার জিলাগী সিঙ্গরবোনদা নহারোল খোরিরোল শিল্লুপ অসামনা শিন্দুনা ঙসি সাহিত্যগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা অইবা অমদি অইবী ৩০ না শৈরেং অমসুং ৱারী মচা পাথোকখি।

তিলহৌ ঃ   লৈবাক অসিদা তিলহৌ ফংবগী চাং হেনগৎহন্নবা অমদি তিলহৌগী মমল ৱাংখৎহন্দনবগীদমক কেন্দ্রনা তিলহৌবু মপান লৈবাক্তা থাদোকপা মখা তানা থিংজিনখ্রে। ফোরেন ত্রেদকী দাইরেক্তোরেট জেনেরেলনা থোকখিবা নোতিফিকেসন অমনা হায়-হান্না তিলহৌ মপান লমদা থাদোকপা থা অসিগী ৩১ ফাওবা থিংজিনখিবনি। অদুবু মসি মখা তাবা হুকুম অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা থিংজিন্নবা ৱারেপ লৌরে। মমাং চহিগী দিসেম্বর থাদগী সরকারনা মীরমদা তিলহৌ থাদোকপদা অথিংবা থম্লকপনি। অদুমওইনমক, ফিভমগী মতুংইন্না মরুপ মপাং ওইবা লৈবাকশিংদদি তিলহৌ থাদোকপদা অথিংবা লৈরোই হায়রি।

বিজেপি ঃ  বি.জে.পিগী সেন্ট্রেল ইলেক্সন কমিতিগী মীফম অমা ঙরাং নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কুনা লোক সভা মীখলদা থাগৎকদবা মীরেপশিংগী মরমদা খন্নখ্রে। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দা, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং- অমিত সাহ অমসুং রাজনাথ সিংহ, উত্তর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যানাথ শরুক য়াখি। কমিতিগী মেম্বরশিং, রাজ্যশিংদগী লাকপা ওফিস বিয়াররশিংসু মীফম অদুদা শরুক য়াখি। কমিতিনা মীখলদা থাগৎকদবা মীরেপশিংগী মতাংদা পুং অহুমলোম চুপা খন্নখি।

মীখল ঃ  নোংচুপ বঙ্গলাদা রাজ্য অদুগী মরুওইবা লোক সভা সিট মরিদা থাগৎকদবা সি.পি.আই.এমগী মীরেপশিংগী মিং লাউথোকখ্রে। সি.পি.আই.এমগী ষ্টেট সেক্রেটরি- মহামদ সালিমনা মুর্সিদবাদ লোক সভা কেন্দ্রদা মীরেপ ওইরগনি অদুগা অলকেস দাসনা রানাঘাৎ কেন্দ্রদা মীরেপ ওইরগনি। বরধমান-দুর্গাপুর কেন্দ্রদনা সুকৃতি ঘোস অমসুং বোলপুর কেন্দ্রদনা শ্যামালি প্রধাননা দলগী মীরেপল ওইরগনি।

তামিলনাদুদা বি.জে.পিগা চুংশিন্নরিবা এ.এম.এম.কেনা মখোয়গী থাগৎকদবা মীরেপশিংগী মীং ঙসি লাউথোকখ্রে। এ.এম.এম.কেগী জেনেরেল সেক্রেটরি- টি.টি.ভি. দিনাকরন্না মীরেপশিংগী মীং লাউথোক্লদুনা হায়- দি.এম.কেনা সাসন পায়রিবা খা ভারতকী রাজ্য অদুদা দল অসিনা সিট অনিদা মখোয়গী মীরেপ থাগৎলগনি। দিনাকরন মশামক থেনি লোক সভা কেন্দ্রদা মীরেপ ওইরগনি অদুগা সেন্থিল নাথননা ত্রিচিদা মীরেপ ওইরগনি।

সিক্কিম ঃ  সিক্কিমদা সিট ৩২ লৈবা রাজ্য বিধান সভাগী মীখল অমদি অমত্তা ঙাইরবা লোক সভা সিটকী মীখল নিংথিনা পাঙথোকবা শেম শারে। রাজ্যগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার দি. অদানন্দনা অকাশবানি নিউজদা হায়- দিবিয়াংজনশিং য়াওনা ভোৎ থাদবা য়ারবা মীপুম খুদিংমকা এপ্রিল ১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মনিং তমা অমদি নিয়ম চুমা থাদবা ঙমহন্নবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

রাজ্য বিধান সভা মীখলগী ভোৎ মশিং জন্ ২ দা থিগনি অদুগা লোক সভা সিট ১ গী মীখলগী ভোৎ মশিংনা জন্ ৪ দা থিগনি। রাজ্য অসিদা নুপা ভোতর লাখ ২ লিশিং ৩২,৪০০, নুপী ভোতর লাখ ২ লিশিং ৩১,৪৫০ অমসুং থার্দ জেন্দর ভোতর ৩ য়াওনা পুন্না ভোতর মশিং লাখ ৪ লিশিং ৬৩,৮০০ লৈ। সেনিয়র সিতিজন লিশিং ২,৪৭৬ অমসুং দিবিয়াংজন লিশিং ৪,১৮৪ সু মখোয়গী ভোৎ থাদগনি। মীখল অসিদা চহি ১৮ দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহা ওইরিবা ভোতর লিশিং ১২,৬৫৯ সু মখোয়গী পুন্সিগী অহানবা ওইনা ভোৎ থাদগনি। মীখল অসিগীদমক পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ৫৭৩ হাংদোক্কনি।

মৈ ঃ রাজস্থানগী জয়পুরদা লৈবা কেমিকেল ফেক্তরি অমদা ঙরাং অহিং চাউনা মৈ হৌরকপদগী মীওই ৬ শিরে, ২ না শোক্লে। মৈ অদু ফয়ার টেন্দর ৯ না মুত্থৎনবা হোৎনখি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- ফেক্তরি অদুগী মপুগী মথক্তা ক্ষেতিপুরন তানবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা থবক লৌখৎনবা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা জয়পুর-আগ্রা হাইৱে থিংজিনখি।

থৌদোক অদুদা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রি ভজনলালনা অৱাবা নংলবা মীওইশিং অদুদা পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়খি।

অমরোমদা, উত্তর প্রদেশকী মেরট জিলাগী পল্লভাপুরম এরিয়াদা য়ুম অমা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা অঙাং মরি শিরে। অদুগা মখোয়গী মমা মপাসু অশোক অপন নংলে। মৈ অদুনা শোক্লবা মীওইশিং অদু হোস্পিতালদা পুখৎখি অমদি অঙাংশিং অদু হোস্পিতালদা লাইকন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি। পুলিসকী পাউনা হায়- মোবাইল ফোন অমা চার্জ তৌরিঙৈদা সোর্ট সার্কিট ওইবদগী মৈ অদু হৌরকখিবনি।

জেকে ঃ জম্মু কাশ্মীরদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী চাউনা মায় পাকপা অমা ওইনা তেরোরিষ্ট গ্রুপ জৈস-ই-মোহমদকা মরী লৈনবা মীওই মরি শ্রীনাগরদগী ফারে। অককবা পাউ অমা ফংবদগী শ্রীনাগর পুলিস, ৫০ শুবা রাষ্ট্রিয়া রাইফলস, ভেল্লি কিউ.আর.টি অমসুং সি.আর.পি.এফকী ২৯ শুবা বত্তাল্লিয়নগী অপুনবা কাংবু

অমনা কেনিহামাদা হাংবা মোবাইল ভেহিকল চ্যেক পোষ্ট অমদা চ্যেক তৌবদা মীওই মরি অদু ফাবনি। মখোয়দগী মেগজিন অহুমগা লোয়ননা এ.কে. ফিফতি সিক্স রাইফল অমা, পিষ্টোল অমা, নোংমৈ মরু কয়ামরুমসু ফাগৎখি। অহানবগী ওইনা মচিন হংবদা মখোয় অসি তেরোরিষ্ট গ্রুপ জৈস-ই-মোহমদকা মরী লৈনবা মীওইশিংনি হায়বা খঙলে। মখোয়গী মথক্তা কেস রেজিষ্টর তৌদুনা থিজিনবগী থবক চথুরি।

ফুটবোল (এল)ঃ দি.এস.এস.এ বিষ্ণুপুরগী মিণি ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা ২ শুবা ইতোমচা সিংহ মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগতা ঙসি বালানন্দ ফুটবোল একাদমিনা রাইজিং ক্লবপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

খোখো (এল)ঃ নিউ দিল্লিদা থা অসিগী ২৮ দগী মথং থাগী ২ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৫৬ শুবা সেনিয়র নেসনেল খো খো চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াগদবা মণিপুর এমেচর খো খো এসোসিয়েসনগী শান্নরোই কাংবু ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

যোগ (এল)ঃ ভারত স্বাভিমান (ট্রষ্ট) অমসুং পতাঞ্জলি যোগ সমিতি ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা ইম্ফালগী নাওরেম লৈকাই পতাঞ্জলি যোগ সেন্তরদা ঙসি থা অহুমগী যোগ ত্রেনিং লোইশিনবা অমসুং সার্তিফিকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা ত্রেনিংদা শরুক য়ারিবশিংনা যোগ দেমোন্সত্রেসনসু তৌখি।

------